# খা কোরিয়াগী পেয়োংয়াঙদা ৱিন্টর ওলেম্পিক পাঙথোকপা

লৈশাংথেম অজিৎ

**হৌখিবা** কুমজা ২০১৭কী সেপ্তেম্বর ৩দা অৱাং কোরিয়ানা তরুক্লকশুবা ওইনা ন্যুক্লিয়র টেষ্ট তৌখিবা, সেপ্তেম্বর ১৭তা জপানগী অৱাং থংবা ঈথৎ হোকায়দো ৱাংমা লান্না মীসাইল কাপ্পুনা পেসিফিক ওসিন্দা তাহনখিদুনা মালেম অসিদা অকি অখং উৎপগী থৌওংশিং অসিনা মালেমগী লৈবাকশিংনা মরুওইনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটনা থৌদোক অসিবু য়ানীংদবা উৎতুনা লৈবাক অসিবু লাপথোক্না মালেমগী লৈবাকশিংদগী থম্নবা হোৎনরিঙৈগী মতমদা খা কোরিয়াগী পেয়োংয়াঙ সহরদা ফেব্রুৱারী ৯ দগী পাঙথোক্কদৌরিবা ২৩শুবা ৱিন্টর ওলেম্পিক গেমস অসিগী অহৌবা নুমিৎতা লৈবাক অনী অসিগী শান্নরোয়শিং পূন্না কোরিয়াগী ফিরাল অমগী মখাদা মার্চ পাষ্ট চৎমীন্নগনি অমদি খা কোরিয়াগী আইস হোকি টিমদা অৱাং কোরিয়াগী শান্নরোয়শিং য়াওহন্দুনা অপূনবা টিম অমা শেমগনি। অৱাং কোরিয়াগী হোকি শান্নরোয় ১২গা ওফিসিয়েল অমগা খা কোরিয়াগী খনগৎলবা শান্নরোয় ২৩গা অপূনবা টিম অমা শেল্লগা মেচ খুদিংগী শান্নরোয় ২২ খক্তা খনগনি। মদুদা অৱাং কোরিয়াগী শান্নরোয় অহুম অহুম য়াওহনগনি, হেদ কোচনা খা কোরিয়াদগী ওইগনি।

অৱাং কোরিয়াগী স্কেচর রায়োম তি-ওক অমসুং কিম জু-সিক ওলেম্পিক অসিদা শরুক য়ানবা ক্বালিফায়িং ষ্টের্ন্দদ য়ৌরবসু মখোয় অনীগী মমিং রেজিষ্টর তৌবগী তারিখ হেন্দোক্তুনা গেমস অসিদা শরুক য়াবা য়ারোইদবদগী খা কোরিয়াগী ওর্গেনাইজিং কম্মিটিনা শরুক য়াবা য়ানবা অয়াবা পীবিখ্রে। হন্দক্কী অসিনা এসিয়া মহাদেশতা পাঙথোকপা অহুম্লকশুবা ৱিন্টর ওলেম্পিক গেমসনি। অসিগুম্বা অইংবা মফমদা নিংথমথাদা উন মথক্তা অথোয় অহেন তান্নবগী ওলেম্পিক গেমস অসি মহাদেশ অসিদা অহানবা ওইনা কুমজা ১৯৭২দা সপ্পারোদা অমদি কুমজা ১৯৯৮দা নাগানোদা পাঙথোকখি। সহর অনীমক জপান্দনি। খা কোরিয়াদা কুমজা ১৯৮৮দা সম্মর ওলেম্পিক মায় পাক্লা পাঙথোকখি। হন্দক্কী অসিনা অনীশুবা ওলেম্পিক গেমস লৈবাক অসিদা পাঙথোকপা ওইগদৌরি। গেমস অসিবু য়ূম্বু ওইনবা হায়জরকখিবশিংদি জর্ম্মনিগী ম্যুনিক অমসুং ফ্রান্সকী অন্নেয় সহরনি। সহর অহুম অসিগী মনুংদগী অমা খনগৎনবা ভোট লৌনবদা ভোট ৯৫ গী মনুংদা পেয়োংচাঙনা ৬৩ ফংবা মতমদা ম্যুনিক্লা ২৫ অমদি অন্নেয় সহরনা ৭ ফংখি। অদুবু খা কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুন-জি-ইনা হৌখিবা চহীগী সেপ্তেম্বর ২০দা ফোঙদোকখিবা পেয়োংচাঙ ৱিন্টর ওলেম্পিক পাঙথোক্লবা শেম শারিঙৈদা অৱাং কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়র টেষ্ট তৌবা অমদি মিসাইল কাপ্পা অসিনা সেক্যুরিটি চেকশিলহৌবা দরকার ওইরি হায়খি। ওষ্ট্রিয়া অমদি জর্ম্মনিনচিংবা লৈবাকশিংনা চেকশিন থৌরাংগা মরী লৈননা গেমস অসিদা শরুক য়াবা কোরিয়াদা চৎপা অসি চীংনবা পোকই। তৌইগুম্বসুং গেমস অসিনা লৈবাক অনী অসিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবা খোঙথাং অমা পুরক্কনি হায়বা মালেমদা খঙহন্নীংই। গেমস হৌদ্রিঙৈদা পূন্না টিম অনী অসি অৱাং কোরিয়াগী রিজোর্ট অমদা ত্রেনিং তৌমিন্নগনি, লৈবাক অনী অসিগী কলচরেলগী থৌরম কুমগাঙ কৌবা চীং অমদা পাঙথোক্কদৌরি। অৱাং কোরিয়াদগী সপ্পোর্টর ২৪০ গেমস অদুদা শরুক য়ারিবশিংবু মপূক্লিং থৌগৎপা লাক্কনি। থাঙ্গৈমক শেংবদি লৈবাক অয়াম্বনা অৱাং কোরিয়াদগী লাপথোক্লা লৈনীংই, অৱাং কোরিয়ানা মতম লৈবা খিবিক্তা খা কোরিয়াদা অথিংবা কয়া অমুক থন্মী। খা থংবা কোরিয়াগী কোনুং সিওলদা কুমজা ১৯৮৮দা সম্মর ওলেম্পিক গেমস পাঙথোক্কনি হায়না ৱারেপ লৌখিবদা অৱাং কোরিয়ানা তৌহন্নীংদে য়াম্না কল্লকখি। মরম অসিনা অৱাং কোরিয়াগী লৈঙাক্লা অশিল অরাং তৌদুনা হায়বদি খুজিল থৌরাং তৌদুনা খা কোরিয়াগী এরোপ্লেন কোরিয়ান এয়র বোয়িং ৭০৭-৩বি৫সীদা টাইম বোম থমদুনা পেসেঞ্জর ১০৪ অমদি পাইলোট য়াওনা ষ্টাফ ১১ শিখি।

এরোপ্লেন অসিদা বোম থম্নবা অৱাং কোরিয়াগী লৈঙাক্লা নুপা অমগা নুপী অমগা চহী কয়ামুক ত্রেনীং পীখি। মিলিটরিশিংগী কম্মান্দোগী ত্রেনিং, মী হাৎনবা ত্রেনিং মখল কয়া অমদি লোল কয়মুক ঙাঙবা ঙমহল্লি। মখোয় অনীনা বগাদাদ (ইরাক), অবুদাবী (য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটস), বেঙ্কোক (থাইলেন্দ) অমসুং সিওল (খা কোরিয়া) দা পাইগদবা কোরিয়ন এয়র বোয়িং অসি বাগদাদতগী তোংখৎখি। মখোয় অনী অবুদাবিদা কুমথহৌই। কুমদ্রিঙৈ মখোয় অনীগী ফমফম অদুগী মথক্তা লৈবা পোৎ চৈ হাপ্পবা মফম অদুদা টাইম বোম য়াওবা ত্রান্সিষ্টর (রেদিও) অমা হান্ননা থল্লমখি। এরোপ্লেন অদুনা অবুদাবীদগী বেঙ্কোক্তা পাইবগী খোঙচৎতা লম্বীদা ইন্দিয়ন ওসিনগী মথক্তা বোম অদু পোকখায়দুনা মদুদা তোংলিবা মী খুদিংমক শিখি। বোম থনম্বা নুপা অদুগা নুপী অদুগা বাহরেন্দা ফাখি। নুপা অমদি পুলিসনা মহাক্কী মচিন হংদ্রিঙৈদা হু চাদুনা খুদক্তা শিখি। হু অদু চুরুটতা হাপ্পনি। কিম-হায়ও-হুই কৌবা নুপী অদুদি শিহৌদে, দাক্তরনা কনখি। মহাক খা কোরিয়াগী কোর্ট অমনা শিবগী চৈরাক পীখি অদুবু লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্টনা কনবিখি। মরমদি মহাক অৱাং কোরিয়াগী লৈঙাকপশিংনা ব্রেন ৱাস তৌখি হায়বা খঙই। মহাক্লা সিওলদা ওলেম্পিক ১৯৮৮ দা পাঙথোকপা অতৈ লৈবাকশিংনা শরুক য়াবা লাকপদা কিনবা প্লেন্দা বোম পোকখায়হনবগী থৌরাং অদু লৌখৎপনি হায়না খা কোরিয়াগী ওফিসিয়েলশিংদা পাউদমখি। মহাকপু লৈবাক অসিনা চেকশিন্না থন্মী। মহাক্লা দি টিয়র ওফ মাই সোল কৌবা লাইরিক অমা মহাক্কী এরোপ্লেন্দা বোম থন্বগী খোঙচৎ অসিগা মরী লৈননা ইদুনা ফোঙখ্রে। লাইরিক অসি ফিল্ম ওইনসু নমখ্রে।

অৱাং কোরিয়াগী অসিগুম্বা খা কোরিয়াবু নমথনবা খোঙথাং কয়ামুক পাঙথোকখিবা অসিগা লোয়ননা হৌখিবা থা খরা অসিদা মখোয়না অথিংবা খূৎলায় ময়াম অমা চাংয়েং তৌখিবা অসিনসু মালেম পূম্বনা মখোয়গী তৌশিন্নবা থৌরাং অমগী মখাদা পেয়োংচাঙগী গেমস অসিদা থৱায় য়াওশিন্নবনি হায়না লৌনৈ।

অমরোমদা, য়ু এস এ অমসুং খা কোরিয়াগা পূন্না লান ঔরাইবগী থৌরমশিং পাঙথোক্কনি হায়না শেম শারম্বা অদু ৱিন্টর গেমস অসি লোইদ্রিফাওবা য়েথোক্তুনা লৈরি। চহী লিশাংশিৎনা নিংথৌরেলশিংনা লৈঙাক্তুনা ফজবা লৈঙাকলোনগী মখাদা মখল কয়াগী কলচরদা, জগোয়, ঈশৈ, শান্ন-খোৎনবা, থাঙ-তা, নম্নবা, থিন্নবা, কাউনবা অমদি শা-লানগী মহৈমশীনদা অৱাংবা থাক্তা লৈবা লৈবাক অসিবু জপান্না মায়থীবা পীদুনা কুমজা ১৯১০দগী ১৯৪৫ ফাওবা লৈবাক অসিগী মখাদা লৈখি। তৌইগুম্বসুং অনীশুবা লাঞ্জাউদা জপানবু এলায়দনা মায়থীবা পীরবা মতুংদা লৈবাক অসিগী অৱাং থংবা শরুক্লা সোভিয়েট য়ুনিয়ন অমদি মখা থংবা শরুক্লা য়ু এস এনা পায়শিনখি। মনীং তমহল্লবা লৈবাক অনী অসিবু শক্তি লৈবা লৈবাক অনী অসিগী মীৎয়েং মখাদা থন্মী। অৱাং থংবা লেচি লেটিচুদ (নম্বর) ৩৮না খা অমসুং অৱাং কোরিয়া লৈবাক অনী অসি ময়ায়দা খায়দোকই। কুমজা ১৯৫০দা অৱাং থংবা কোরিয়াগী লম্বীনা লেটিচুদ ৩৮ লানাল্লিক্তুনা লান তাশিল্লকখি। মদুদা রসিয়া অমদি চাইনা শরুক য়াখি। অমরোমদা য়ু এন ও শৌগৎপা লৈবাকশিংগী মতেংনা কম্যুনিষ্টশিং তাম্হোকখি।

# ইন্দিয়াগী ফেমিলি প্লান্নিং ঐখোয়না ইনফম থোকপ্রা

-ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার মীতৈ-





আর্টিকল অসি কুমজা ২০১৪দা স্প্রেক্টম জর্নেল, ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি, শিল্লোং, মেঘালয়াদা ফোঙখিবা "ARE WE FOLLOWING INDIA'S FAMILY PLANNING BLINDLY" কৌবা ঐহাক্কা ঐহাক্কী লোইনবী Mrs. Chen Nan-tai (Chaningleima) গা পূন্না ইদুনা ফোঙখিবা রিছার্স পেপর অদুদগী লৌথোকচবনি। চহী মরিমুক শুজিল্লক্লে অদুবু মদুগী মরুওইবা নুংগী ওইবা পাউজেলদি হৌজিক হৌজিক ঙসিসু য়াম্না মরুওইরি হায়না খঞ্জে।

ইন্দিয়াগী ফেমিলি প্লান্নিং প্লান অসি য়াম্নমক তঙাইফদ্রবা খোঙথাং অমনি ম্যেনলেন্দ ইন্দিয়াগীদমক্তদি অদুবু মণিপুর অমদি নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী ওইনা য়েংলুরবদি মসি অফবা অমনি হায়না কৌবা য়ারোই, মরমদি নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী মীশিং অদুক্কী মতিক নেমখ্রে ম্যেনলেন্দ ইন্দিয়াগী মীশিংগা চাংদম্নবদা। ইন্দিয়াগী ফেমিলি প্লান্নিংগী ইন্টেসন য়াম্না মরু ওই, ফৈ হায়দুনসু মফম খুদিংমক্তা, ফুরুপ অমদি মীওই খুদিংমক্তা ফগনি, কান্নগনি হায়না খনবদি য়াম্না লানগনি হায়না থমজগে। প্লান অমা পাঙথোকপদা কান্নবা কান্নদবা হায়বসি মফম, মতম অমদি প্লান অদুবু ইনগদৌরিবা কাঙলূপ, ফুরুপ অমদি মীওইশিং অদুগী মখা য়াম্না পোল্লি। ইন্দিদয়াদা লৈরিবা ফেমিলি প্লান্নিং অসি ম্যেনলেন্দ ইন্দিয়াগী ওইনদি য়াম্না চংদ-য়াদ্রবা তঙাইফদ্রবা, মথৌ তারবা প্লান অমনি হায়না লৌগদবনি লৈরিবা মশিং হেল্লবা মীওইশিংগী মশিং, য়ূমলৈ-কৈরৈগী, চাব-থকপা, শেৎপা চাবগী অৱাৎপা অমদি থবক ফংদবনচিংবা ফীভম কয়া অসি য়েংলুরগা। অদুবু মণিপুর অমদি নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী মীশিং অমদি ফীভম য়েংলুরগদি মসিদি ঐখোয়গদি য়াম্না চান্নদবা প্লাননি হায়না থমজগে, মরমদি ইন্দিয়াদা মীশিং হেনবগী থোক্লিবা অৱা অনা, লৈত-লায়রগী প্রোব্লেম থোকহল্লিবা ময়ামসি নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংনা করিসু পীবা লৈতে হায়না থম্বা য়াই। মদুগী মহুত্তা, নোর্থ ইষ্টতগী চঙখিবা মহৈরোয়শিং অমদি এমপ্লোয়ীশিংনা মতেংদুম পাংলি মখোয়গী শেন্মীৎ-থুমিৎতা।

চহী ৩/৪গী মমাঙদা, সোসিএল ৱেলফেয়রগী মিনিষ্টর ওইরম্বনা ইমুং অমদা নুপী মৌ অমনা অঙাং ১২/১২ পোক্কদবনি হায়রম্বদো নোকনীংবা ফাওবিরম্বা য়াই মীওই অয়াম্বনা ইমুং মনুংগী ফীভমদি য়েংদনা হায়দুনা। অদুবু মদুগী নুংগী ওইবা তোঙান তোঙানবা ৱাহম্হোক য়াম্না লৈ। মহাক্কী ৱাহৈশিংসি মণিপুরী ঐখোয় মীকপ থোক্লো, নৎত্রগদি ঐখোয় শোয়দনা মুৎখ্রগনি হায়বনি। ময়ামদু পূনশিন্দুনা অমখক্তং ওইনা শম্না হায়রবদি হায়বদি ঐখোয়না ইন্দিয়াগী ফেমিলি প্লান্নিং ইনবদি ঐখোয় ইশানা সুইসাইদ তৌজবগুম্বনি।

ইন্দিয়াগী ২০১১গী সেন্সসকী মতুং ইন্না মণিপুরগী মীশিংসি ২,৭২১,৭৫৬নি। মসিনা ইন্দিদয়াগী অপূনবা মীশিংগী ০.২২ ওইরে। মসিনা তাক্লিবদি, ম্যেনলেন্দ ইন্দিয়ন ৮৮০গী মনুংদা মণিপুরী মচা অমনি। মসিনা হায়বদি ইন্দিয়াগী মীওই ১০০০ অমদা মণিপুরী মচা অমগুম্বনি, অসুক্কী মতিক নেমখ্রে।

মতাংসিদা ঐখোয়না খ্বাইদগী মীপাইনীংঙাই ওইরিবদি মণিপুরদা লৈরিবা পীক্লবা মশীংগী তোঙান তোঙান্না মতম কুইনদগী খুন্দাদুনা লৈরক্লবা কাঙলূপশিং, ফুরুপশিং অসি মখা তানা লৈখিগদ্রা হায়বসিনি। হৌজিক হৌজিক ওইরিবা ফীভমসিদা য়েংলগসু অদুম য়াম্না লায়না, ময়েক শেংনা উবা ফংবীরিবদুনি মীয়াম্না। খিত্তং চাওখৎপা, ললোন ইতিক্কী ওইবা পীক্লবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংনা খুন্দাবা কান্নরবা টাউনশিং অমদি মফমশিং অসি কনাগী মখাদা লৈবগে হায়বদো মীয়াম্না খঙবী উবীবনি। মফমশিং অসি অতোপ্পা নন-মণিপুরীশিংনা পায়শিনদুনা থম্বা মখোয়না চৎলিবা মফমশিং ঙাক্তনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। হেন্না মীপাইরিবদি, চহী ২/৩গী মনুংদা মণিপুরদা ত্রেন য়ৌরক্লগনি। ত্রেন য়ৌরক্লবদি ত্রেনদা লায়না মীশিং থিঙমদনা থোমজিল্লক্কদৌরিবা মীতোপ মশীং অমুক্তা খন্থদুনা য়েংবিয়ু। মমাঙদা পায়রকখিবা লৈঙাক্লসু মরম চাবা লো অমতা পুথোকপীরমদে মশীং খঙদনা চঙশিল্লকখিবা মীতোপশিং থিংনবা, অদুগা হৌজিক হৌজিক পায়বিরিবা লৈঙাকসিনসু মরম চাবা মীতোপ থিংনবা লো অমত্তা পুথোক্ত্রি। মফম খরদা চে চাং য়াওব্রা হায়না চ্যেক তৌবা নত্তনা। চঙলকফম লম্বীদদি থিংদনা, য়েংদনা মনুং চঙখ্রকান্দা থিবদুনদি কয়া য়াম্না ফাগৎপা ঙমগদৌরিবা। ত্রেনসু য়ৌশিল্লক, মীতোপ থিংনবা লোসু লৈহৌদা নুংঙাইগদৌরি ইরমদমসিগী ইরৈচাশিংদি, অতোপ্পগী মখা থাবা হায়বদো অদুম ওইবা তাবনি। হৌজিক হৌজিক ত্রিপুরাদা ত্রিপুরীশিং করম্বা ফীভমদা লৈরিবগে হায়বসি কাউফরোইদো। ত্রিপুরীশিংগী হক্তি লোইনা মুনবিখ্রে, মখোয়না করিসু মপাঙ্গল থোক্লা করিগুম্বা অমত্তা তৌবা ঙমদ্রে। মসিমক ঐখোয়দসু ওইরক্লোই হায়না খনবীগনু লাইরিক লাইশু হৈবা, শেল পায়বা ইচিন ইনাওশিং, লৈঙাকপশিং। ঐহাক লাইরিক হৈবা, শেল পায়বা ইমুংদগীনি নখোয়গী মখা থাবা ওইরোই, নখোয়গী মখাদা লৈরোই হায়বা য়ারক্তবগী মতম য়ৌরক্লগনি চেকশিন খোঙফম থাংহৌদ্রবদি।

কনাগুম্বা খরনা, মরুওইনা লাইরিক লাইশু হৈরবা, মতিক চাবা থবক তৌরিবশিং অমদি শেল পায়বা কনাগুম্বনা লাইরিক লাইশু নীংথিনা তম্বা ঙম্নবা, ইমুংগী ফীভম ফগৎনবা ফেমিলি প্লান্নিং ইনদুনা অঙাং অমা অনীখক্তং পোকপনা ঐখোয় খুদিংমক্কী অফবনি হায়রি, খল্লি। মসিদি তুং কোয়না করি ওইরক্কদগে হায়বদো উবা ঙমদবনি হায়না থমজগে। মদুসু মায়কৈ অদোমগী য়েংলবদি চুন্মী। অদুবু হংনীংলিবা ৱাহংদি ঐখোয় ইমুং খরা লাইরিক লাইশু হৈরগা, শেল পায়রগা ইরমদম মণিপুর পূম্নমকসি মীতোপনা থোমজিল্লকপদগী থিংবা ঙম্লগদ্রা অসিনি। ফনা লাইরিক লাইশু হৈদুনসু, শেল পায়দুনসু ইমুং খরনা মণিপুর কনবা ওইথোক্তে। "Majority counts the vote" হায়বা ইংলিসকী পাউরৌ অসিসু কাউফদে। মশীং হেনখিবনা মরম ওইদুনা জিরিবামদা য়েলহৌমীনা ভোট কাহৌদবা মীয়াম্না উবিরবনি। জিরিবামদতা নত্তনা অতোপ্পা মণিপুরগী মফম খরদসু লোকল ইলেক্সন্দা য়েলহৌমী নত্তবা কাঙবুনা ভোট কাখিবা য়াম্না য়াওরে। মসিদগী ঐখোয়না খঙজিনবা য়াবদি মশীং য়াম্বা হায়বসিসু য়াম্না মরুওই হায়বসিনি। মসিনা হায়রিবা ৱাহম্হোক্তি চেকশিনহৌদ্রবদি মতুংদসু মশীং য়াম্বা কাঙলুপনা অসুম পোলিটিকেল পৱার পায়শিনখিদুনা ঐখোয় মখোয়গী মখাদা লৈরকপা তাবনি ইরমদমসিদা মখোয়গী মখা থাবা ওইনা। হৌজিক হৌজিকমক ইম্ফাল সিটি মনুংদা য়েলহৌমীশিংনা করিবু তৌবা ঙল্লিবগে মীতোপশিং অসিগী মায়োক্তা, লোয়না ললোন ইতিক অমদি শেন্মীৎ থুমীৎ পূম্নমক পায়শিনখ্রে মীতোপ্পা। পুলিস ওফিসরশিং, পোলিটিকেল লিদরশিংসু শেঞ্জাউ পায়বা মীতোপশিং অসিনা লৈদুনা শীজিন্নখিবা মতম য়াম্না শাংলক্লে, খুদিংমক মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফম ঙাক্তনি।

ত্রেন লাক্ত্রিঙৈসিদফাও মীতোপনা থল্লে ইরমদমসি, শেন্মীৎ থুমীৎসু, পোলিটিকেল পৱর ফাওবা পায়শিনবা হৌরক্লে মীতোপ্পা নৎত্রগা য়েলহৌমী নত্তবশিংনা, ত্রেন য়ৌরক্লবদি কমদৌবা খন্থবীয়ু মীয়ামসু। ইরমদম মণিপুরসিবু মীতোপ্পুর ওইখিগদৌরব্রা। অঙাং য়াম্না পোক্লগা মীশিং হেনগৎলগা হেক্তা অতোপ্পনা লাকচবা ঙল্লোই হায়জবগী ৱাফম নত্তে। অদুমক ওইদুনসু মীশিং য়াম্বা হায়বসি খূৎকন পাঙ্গনবনি হায়বসি কাউফদে। মী মশীং শৌগৎপীনবা য়ামদনা ভোট কাবা য়াওরোই। ভোট কাদ্রবদি লৈপাক্কী চুক্লি মাঙখিগনি। লৈপাক্কী চুক্লি মীতোপনা পায়খ্রবদি ত্রিপুরাগুম্না ঐখোয়সু ইরমদমদা মীতোপকী মখাদা তোন্না হিংবা তাবা।

ইরমদম্বু মীতোপ্পা পায়শিনখিবা অমদি মখোয়গী মখাদা মখা থাবা ওইনা লৈরকপা য়াবগী মীপাইনীংঙাই ওইরবা ৱাফমসিখক নত্তনা অতোপ্পা মীপাইনীংঙাই ওইবা ৱাফম কয়া অমসু করি করিগুম্বা ঐখোয়না ইন্দিয়া ফেমিলি প্লান্নিংবু ইন্দুনা অমদি ৱেষ্টর্ন কলচরদা বেজ তৌবা ন্যুক্লিয়র ফেমিলিগী চৎনবীবু শৌগৎতুনা অঙাং মশীং তানা পোক্তুনা (১/২ খক), মীশিং হন্থনবা হোৎনদুনা লৈরবদি। মীশিং হন্থবদগী ওইরকখিবা প্রোব্লেম ময়াম অমা থোরকপদগী টাইৱান্দদি নাইর্ন্টিন আইটিজদা লোইশিনখ্রে ফেমিলি প্লান্নিং তৌবা। ১৯৮০গী অথেংবা অদুৱাইদগী মীশিং হন্থদুনা শুম লাকপনা মমাঙ চহী ২০১৭তা টাইৱান্দা অঙাং পোকপগী চাং খ্বাইদগী হন্থবা চহী ওইখি। হেনগৎপা শুকঙম হেক ঙমদনা লৈরক্লি ঙসি ফালবদা। ফেমিলি প্লান্নিং অমদি ন্যুক্লিয়র ফেমিলিনা ওইহল্লক্কদবা অকায়বা খরদং মখাগী অসুম্না থমজগে।

মণিপুরনা ইন্দিয়াগী ফেমিলি প্লান্নিং অমদি ৱেষ্টর্ন কলচরগী ন্যুক্লিয়র রফেমিলিগী কলচর ইন্দুনা লৈরবদি কুইরোই অঙাং মশীং তারকপদগী লমদম অসি অহল ঙাক্তা ঙাইশিল্লক্তুনা থবক শুবীনবা মী লৈররোই (মসিমক হৌজিক হৌজিক টাইৱান, জপান, কোরিয়া অমদি সিঙ্গাপুরনচিংবা লমদমশিংদা থোক্লিবনি)। নহা ওইরক্কদবা অঙাংশিং পোক্ত্রবনিনা থবক শুবীনবা ইরমদমগী নহাশিং লৈরক্তদুনা হান্নদগী হেন্না মশীং য়ামজদ্রবা ঐখোয়সে মীতোপকী মতেং নত্তনা হিংবা ঙল্লক্লোই, মরমদি থবক শুবীনবা লৈতবনা। মতমদুদনি মীতোপ্পা ঐখোয়গী থবক লোইনা তৌখিগদবা, অদুদগীদি মখোয়না মপূ অদুম ওইখ্রনি হীরম খুদিংমক্তা, হৌজিক হৌজিক উবা ফংলবনি। অদুদগীদি মখোয়গী মখাদা লৈদুনা হিংবা তাবা। শেল পায়, লাইরিক হৈ কায়না নাম্হোকপা য়ারোই মতমদুদা, খা চিক্তুনা খাঙবা নত্তনা পাম্বৈ অমত্তা লৈরোই মতমদুদা। ত্রিপুরাদা য়েংবীয়ু থাজদ্রগা।

মশীং য়াম্লক্তনবা, মীতোপকী মখাদা লৈরকপনা, মীতোপকী নাই ইনবনা ঐখোয় ইশাগী আইদেনিটটি মাঙশিল্লক্লনি, ঐখোয় কনানো হায়বা খঙলরোই, হৌরকফমসু খঙলরোই। হৌখ্রবা ঐখোয়গী পুৱারীদা ময়েক শেংনা থোকখ্রে।

-মথং-মথং

# পুয়া

ডা. থৌনাওজম রুহিচান্দ

**পোইরৈ** মৈত্রবাক অসিদা পোকখিবা লাইওইখ্রবা মাইচৌশিং অসিনা তুংগী মীরোলশিংগী য়েংদুনা মমল য়াল্লবা পুয়া কয়া অমা ইদুনা থম্বীরম্মী। হৈবোং মনুংগী তীলনি হায়নসু খঙনরিবা পীকখ্রবা ফুরুপ মচা অসিনা ঙসি শীজিন্নবা ফংজরিবা মশীং য়াল্লবা পুয়া মখলশিং অসি অঙকপনি।

মপা মপূশিংনা পুয়া মরাং কায়না থম্বীরম্বা মালেমগী তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী মনুংদা ঐখোয় মীতৈসু অমা ওইরমগদ্রা হায়না নৈনবা য়াই। পুয়া হায়রগা ঐখোয়না হৌজিক খঙনরিবসি মতম অমদা মঙাঙ, লুৱাং, খুমন, অঙোম, মোইরাং, খা-ঙানবা অমদি শরাং লৈশাংথেম (চেংলৈ) হায়না তোঙান তোঙানবা ফুরুপ মচা-মচা ওইনা লৈরম্বা অদুগা হৌজিক্লা মীতৈ হায়রগা পুল্লপ্পু খঙনরবা ফুরুপ অমসুং লমদমসিদা মৈহৌরোলদগী লৈমিন্নরক্লবা চীংমী ফুরুপশিংগী লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিং, পুকোক পুরেলশিং অদুনা চুম্লে হায়না অমত্তা ওইনা য়ানরম্লবা ৱাখল-লৌশিং কয়াগী অচুম্বা কাঙলোনশিং অদুনি হায়না খঞ্জে। ইশম শম্না হায়রবদা পুয়া হায়রগা ঐখোয়না খঙনগদৌরিবসি মাঙলমচৎকী ইপা-ইপুশিং অদুনসু অদুম য়ানরম্লবা লোয়ননা তুংদা হৌরক্কদৌরিবা মীরোলশিংনসু য়েৎনবা তৌদনা মতম চুপ্পদা অদুম য়ানহৌরগদবা নোলেজশিং অদুনি। মসিদা Universal truth, Habitual facts, Myths & Beliefs নচিংবা কয়ামরুম য়াওরি। হায়রিবা নোলেজশিং অসি অইবা ওইনা চেদা, উকুদা, উনা-ৱানাদা, নূংদা, উপাক্তা অমদি অতৈ অতৈ পোৎ চৈশিংদা ইদুনা, খোৎতুনা অমদি য়েক্তুনা মরাং কায়না থম্বীরম্মী। চিনবুং ৱারী ওইনসু ঙসি ফাওবা মীরোল অমদগী মীরোল অমদা মৈনা ৱাই তাংনা শমথদুনা লৈরক্লি।

নৈনবদা য়াম্না নুংঙাইরিবা ৱাফম অমনা হায়রিবা পুয়াশিং অসি তোঙান তোঙানবা হীরম (সবজেক্ট) শিংদা ইরম্বগী মওং-মতৌ অমা থেংনৈ। তোঙান তোঙানবা লমশিংদা অৱাংবা থাক্কী ৱাখল-লৌশিং কয়া শাগৎলম্বা থেংনরিবা অসিনা তাকপদি ঐখোয়গী খুন্নাই অসিসু ঙল্লিঙৈ মতমদগী চাওখৎপগী মঙাল ফংলম্লে হায়বসিনি। লৈশেম-নোংশেম্বা, থৱায় পানবা শেম্বা, অচৎ-চত্ত পূম্নমক শেম শাবা, খুন্নাইগী হৌরক ৱারী, লাইশিংগী ৱারী-ৱাখোঙ, পুৱারী, নাৎ-চৎনবী, লাইনীংলোন, য়ূম্বানলোন, খুন্নাইরোল, পুন্সিরোল, হকশেল কাঙলোন, লায়েং কাঙলোন, য়ূমশারোল, খোরিরোল, খূৎশা হৈবগী কাঙলোন, থাপালোন্নচিংবা ঐখোয়গী পুন্সিগী হীরম খুদিংমক্তা ইরোয়ননা চৎলিবা অৱাংবা থাক্কী ৱাঙুলোনতনা পীক থল্লবা পুয়া কয়া ঐখোয়না ফংজবসি কয়াদা লাইবক ফখ্রবা।

মালেমগী মীয়াম পূম্বনা য়ানরগদবা, মীওই খুন্নাইদা চপ চানা কান্নরগদবা অনৌ-অনৌবা নোলেজ, রিছার্স ফাইন্দিং, থিওরিনচিংবা কয়া নীংথিনা দোক্যুমেন্টেসন তৌদুনা মীয়ামদা পুয়া ওইনা খুদোল তৌবা য়াই। মীতৈ ঐখোয়গী হৌজিক ওইরিবা খুন্নাইগী থাক, শক্তমনচিংবা কয়াগী অশেংবা মশক কয়াসি মাঙহন্দনবা নিংথিনা ইথোক্তুনা থম্লবদি মীয়াম্না মদুগী সিগনিফিকেন্স য়েংলগা পুয়াগী থাক্তা অদুম থাঙ্গৎপীরকপসু য়াই। মদু নত্তদুনা মীয়ামদা চয়েৎনবা কয়া থোকহনবা য়াবা মওংদা মশাদা ফাওরকপা ৱাখল, মঙতাক, লাইপাউনচিংবা কয়াবু পুয়া ওইননবা হোৎনরবদি মদু মীওইবা খুন্নাইগী খ্বাইদগী লাইবক থিবা হায়বদু ওইগনি। অফাওবা, অঙম্বা অমনা হেক্তা ইরগা মীয়াম্না পুয়া ওইনা হেক্তা লৌশিনগদবা নত্তে। অইবা লাইরিক অদুগী মতিক ময়াই, কান্নবা কান্নদবা কয়া অদু নিংথিনা নৈনরবা তুংদা লাইরিক অদুগী থাক লৈবাক মীয়াম্না লেপকদবনি। আইনষ্টাইন, প্লেটো, মার্ক্সনা ইরম্বা লাইরিক কয়াসু ঙসিদি পুয়া ওইরবনি। অচুম্বা লাইপাউ চেনবা ঙম্বা, মীয়ামগী অৱা-অনা কোকহনবা ঙম্বা লাইগী মতিক ময়াই চেনবা মীওইশিং লৈরবদি মখোয়দু অহিংবা পুয়ানি হায়না খঙনবসু য়াই। অসিগুম্বা মীওইসি ঐখোয়গী মরক্তগা লৈরবদি কয়াদা কান্নগদবা। মহাক্কী ফিজেৎ চাকচা, লমচৎ-শাজৎ, লাইশোন, তিনশোন, জগোয়-ঈশৈ, লাইথৌ-তিনথৌ তৌবগী কাঙলোন, মহাক্লা ফোঙলিবা লাইরিকশিং অদুনা খুন্নাইসিগী অশেংবা চৎনবী, শক্তম, লাইনীংনচিংবা কয়াগী মশক তাকপা ঙল্লবা, অচান-মীরাই তৌদ্রবা, পূম্নমক্কী য়াইফনবগীদমক মপুন্সিদু কখোক্লবা ওইরবদি মীওই অদু মপা-মপূগী খুদুং ইনবা অশেংবা ইনাৎলোই, লাইনীংলোই অমদি লুচিংবা অমনি, অহিংবা পুয়া অমনি হায়না লৌবা য়ারব্রা হায়না খঞ্জে।

পুয়া অমা হায়বসিদি মাগী মাগী হীরম অদুগীদি ওথোরিটি অমমমনি। য়েৎননীংঙাই লৈতনা মীয়াম্না রিফরেন্স লৌনগদৌরিবনি। য়াম্না একাদেমিক ওইবা মচিন চৎপা স্কোলর (মাইচৌ) অমগী মতিক ময়াইশিং অসি অহিংবা পুয়া অমদা চেনফম থোকই। মীয়ামগী পূক্লিং ৱাখলগী অমম্বশিং কোকহনবা ঙম্বা, অরানবদগী অচুম্বরোমদা লমজিং-লমতাকপীবা ঙম্বা মীওই অদুবুসু অহিংবা পুয়া হায়না কৌবা য়াই। মীওইবা খুন্নাইদা মহাক্কী কন্ত্রিব্যুসন কয়াদুগী মতুং ইন্না মীওইদুগী মরমদা য়ুনিভর্সিটি থাক্কী রিছার্স ৱর্ক কয়া তৌনবগুম্না ঐখোয়গী লুর-লুরবা, অহকপা পুয়া কয়া লৈরিবশিং অসিগীসু ষ্টদি কয়া চথুবা য়াব্রা হায়না খঞ্জে। ঙসিগী য়াম্না চাওখৎলবা চহীচা অসিদা রিলিজিয়স এনদ স্পিরিচুএল নোলেজশিংবু য়াম্না সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা নৈনরক্লবা মতম ওইবনা ঐখোয়গী লমদমসিগী মতিক ময়াই লৈবা অহিংবা পুয়া ওইননবা তাল্লিবা মীওইশিংগী ফিলোসোফি, স্পিরিচুএল টিচিংস এন্দ এক্টিভিটিজনচিংবা কয়াসি ফজনা নৈনরবদি প্রোফেট লৈত্রিবা লমদমসিদা প্রোফেট অৱাৎপা অসি মেনশিনবা ঙমগদ্রা হায়নসু খল্লি।